"হূরানবা মশক খঙদ্রবদি মপুনা নরক তাই।"
- *শীতলজিৎ (থাদোকপা)*

শৈরেং

## মৈতৈ কনানো, মণিপুর করিনো?

**—কৈশাম অঙানবা মঙাং**

থেঙ্খাং কয়ারক পীখ্রবনি মায়থীবা
মণিপুরগী শক্তম্বু শীংনরকপশিং
ইশাদা ঈ মরীক অমা চেল্লিমখৈ লেপকনি ইরমদমগী
শিবা তারবসু কৎকনি থৱায় ইমাগী মীংখৈ শোন্দুনা।
অতূম্বা নোংশাবু হৌদোক্তুনা লক্করিবশিং
চেকশিল্লু শোয়রোই নোংমদি নোংশাগী খয়াৎতা তাবা।
তূমিন্না লৈরিবসি পাংদবা নত্তে, লান পামদবগীনি।
চঙলকপা খুদিং লৈফম পী হায়দুনা
মৈতৈবু অপঙবনি খনগনু, মীনুংশি চাওবগীনি।
মরুপশিংগীদমক ঈ পীবা ঙস্বগুম
য়েক্লবশিংগী ঈ থকপা ঙম্মী হায়বসি কাউগনু।
মীগী মখোঙ কোল্লগা হিংগদবা ফুরুপলনে মৈতৈবু,
তুবা তারবসু ইমাগী খোঙদা নত্তনা
অতোপ্পা কনাগী খোঙদা খক তুরোই।
মৈতৈ হায়বদো ঐখোয়গী হকচাংসি নত্তেনে অপঙবা শা...
ঐখোয়গী শীংলিদা চেল্লিবা মণিপুরবু নুংশিবগী ঈ শিংসিনি
মৈতৈদা ঈ চেল্লি মখৈ মণিপুরবু থুগাইবা,
মণিপুর লৈরি মখৈ মৈতৈবু মূথৎপা,
মঙদা মঙ্গা তানবনি খঙজিল্লু।
ইপানা পীবীবা থৌনা ইমানা তম্বীবা মীনুংশি
ঙসিসু মৈতৈ ঐখোয়গী ইফমদগী মাঙদ্রি।
চঙজরল্লবদি ঙাকপীগনি, শীংনরল্লবদি লেম্না থারোই।

## খোল্লাউ অমদি নোংমৈ

**—জিক লোংজাম্বা**

মীয়ামগী খোল্লাউদি খোঙনেৎনরি
নোংমৈ, বোম, তোপনা
মীয়ামগী হিংবই হকসু মৎলি
হিংশানা হিংচা য়াইতম্বনা।
নোংমৈ, বোম, তোপনা শায়োনবা
লম্বোইবা, লাইনীংবা মুনিশিংবু
তরাম্না ওক্লি, ফিরাংজি ফিদা তিংথোক্লি
সনা কোনুংগী থোঙ ঙাকপশিংনা।
হিংশাগী লান্মৈনা মৈৱাইরবা
থৱায় খুদিংদি হিংলি হিংনীংনা
ঙাইহরি অচুম্বা ৱায়েনগী ৱারোইশিনবু
ওকনীংলি তরাম্না ৱাইথুংলগদবা মঙালবু।

## ঙাইরসি কুমজা ২০২৪

**—পাঙম্বম নন্দকুমার**

ইচুম চুম্না অরানবা তারবা
শুক্লান লান্দনা লালহল্লবা
শুপ্নতংগী হক য়োল্লুবগী
অরানবা তৌবশিংনা অচুম্বা শক্লবা
লাঞ্জদবশিংনা চৈরাক ফংলবা
পুবা থাংবা ঙমদ্রবা চৈনা ফংলবা
শেৎনা খাইনবগী, মীকপ মীরাওখোলতনা নিল্লবা
ময়ূম মকৈ লৈহন্দ্রবা
কৈশুমশঙগী ফাদোক ওইনা,
খাম্বী মৈখু খুরবা
করি অরানবা তৌরুবগী
পীরিবা পুঙমদ্রবা চৈরাক
শুপ্নতংগী ওইজবা খরা
ফংগদরা খন
শাশিন্নবা তৌশিন্নবা
হক লল্লোনবশিংগী মফমদা
ইশাগী হকপু মনতিক্লা
লুপা লিশীং অহুমদা
লুপা লিশীং মঙাদা য়োল্লুবগী
অসুক চাওবা চৈরাক
মমা-মপা, মচা-মশু
মথাদগী শেৎ শেৎতুনা
শেৎনা খাইনরবা
মশাগী লৌরি যূম্ফমদা
শৈদাংবা অমগুম লেলহল্লবা
ফৈ ঐখোয় খয়াৎ চিক্তুনা
পাড়া অমা তম্বীরসি
ঙাইরসি ঐখোয় ৱারবসু ৱানা
কুমজা ২০২৪
খাঙলসি ঐখোয় ৱারবসু ৱানা
কুমজা ২০২৪ ফাওবতং
শাশিন্নবা তৌশিন্নবা অফশাবা
অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা
মীয়ামগী লৈঙাকলোন্না পীরিবা হক শীজিন্নদুনা
ঙাইরসি ঐখোয় ৱারবসু ৱানা
কুমজা ২০২৪ ফাওবদং
থম্মোয়গী লকানুংদা য়েক্তুনা থল্লসি
খুল্লসি লমন জুন ১৮গী
খুল্লসি লমন মে ৩গী।

## হৌরক্কনু শীংনরক্কনু

**—কোকিল মৈতৈ**

মীনুংশি চাওবনি মৈতৈদি
মবুক ফবনি মৈতৈদি
মীনা হৌরল্লবদি শীংনরল্লবদি
খক চেন্দবনি শমাই লৈদুনা
য়াদবনি মীনা লাকচবসু
মরিংজেল খাবা থৌনা লৈবা ফুরুপনিদো।
য়াই য়াই হায়দুনা মৈতৈশিংদা
থক কারক্কনু কাঙলূপ ফুরুপ অমত্তনা
উশিত্তবা তৌরক্কনু মৈতৈশিংবু
শাওরল্লবদি শাথিবনি কাউগনু
পামদে মৈতৈশিংদি 'কাঙলূপকী লান'
ঐখোয়না পাম্বদি 'নীংতম্বনি'।
লোং লিভ মণিপুর
মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই
কংলৈপাক্কী শক্তম কায়বা য়ারোই
খোল্লাউনি মসি ঐখোয়গী লাওরিবা
থৱায় থাদোকপা পাম্মুদ্রবা
শিবা কিদনা লেপ্লিবা।
কাঙলূপ ফুরুপ অমত্তনা
হোমলেন্দ তাল্লক্কনু 'কংলৈপাক্তা'
শিংনরক্কনু ইমাগী ঙমখৈ
ওইরোইদবা মঙ মঙবীগনু
অরেম্বদা থৱায় থারগা তোক্কনি
খল্লু পুন্না 'হিংমিন্নবগী ৱাখল'।

## লান লোইরবদা!

**—এল বিমোলচান্দ**

মশাগী খুন ঙাক্লম্বা খুঞ্জাশিং ঙম্না
খূৎতা খূৎলায় পায়খিদ্রে - খুন ঙাকখিদ্রে
খূৎতা মৈরা পায়না মচাশিংবু শেন্নজরম্বী ইমাশিং
মৈরা পায়খিদ্রে মচাশিং শেন্নখিদ্রে
পুমচিক চিকখ্রে ইরমদম - লান লোইখ্র'তুংসিদা।
কনানা লানঙম ফিরাল থেৎখি- হংলুরনু
খুন্বীনবা লৈরোই লান মানা লোইখ্রবদা
মপু মাতনি খঙগদবা কনানা লান ঙমখি
নোংদম্বগী নোংদমখোলনি - মপু মাগী থৌশিলনি
খঙদবনা চেঞ্জ-চোংজবনি অশিবতনা মাঙজবনি।
চীংদা পোপী পাম্বীশিং থাবীনবা লৈররোই
তময়াদনা লৌরাং শুবীনবা থিবা ফংলরোই;
মঙলান কায়খ্রবা লমগী শা ওইবশিংনা
চীংদসু তমদসু ওৎলরোই নোংমৈ বোম কাপ্লরোই;
মরিন খাবা তমগী অথৌবসু মরমদম ঙাক্লরোই
পেন্দ-খোল্লাউ লাওরম্বশিং - মখা অমুক তারক্লরোই।
অদুবু - মীয়াম লৈত্রবদা লৈঙাক লুচিংপুরেলদি
মোন্দুম মোন্তেকথক্তা নোক্লিদরা! কপ্লিদরা?
লান মানা লোইখিবদা থম্মোয় কায়রিদরা
খঙদে লানগী হীসাব ফল তারমগদ্রা!
নৎত্রগা নিংথৌগী চৌক্রিদা অখঙনরমগদ্রা?

## শান্তিগী ৱারী

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐখোয় শান্তি পাম্মী
লোয়নমক্লা হায়,
ঐখোয় শান্তি পাম্মী,
ঐখোয় শান্তি পাম্মী।
করম্না শান্তি পুরক্কনি,
কনানা করম্বা থৌরাং
শান্তিগীদমক য়াৎখ্রবগে?
লোয়নমক্লা খঙই
করম্না, কমদৌনা হৌরকখিবগে,
য়ুমদাংবনা কৈ-নাইবা,
লৌ মপু য়োংনা তানবা,
মরমদম পোক্লফম অসিদা
ঙসিদি রিফ্যুজি
হায়বদো ওইরে।
পাল্লিবা অদু করিনো?
ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নবা লৈখ্রবরা?
করম্না শান্তি লাক্কনি
শান্তি হঞ্জিনবদি পাম্বা
শান্তি হঞ্জিন্নবদি শিনদবা
করম্না শান্তি হঞ্জিনগনি।

## লৈকংলা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

চীংনা কোয়না পনশাবা
চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা
পোইরৈ সনা লৈপাকনি
কোলোই মিংলেননা কংলৈপাক
লাইনা থাবা লমদমনি
তাইবঙগী কল্লক মীহৌনফমনি
অশৈবা কয়াগী শৈথারোলদা
থম্মোয় পড়া পোক্লফমনি।
নোংমগী নুমিৎ অমদা
হৌরকফম খঙদা নোংলৈনা
নুংশি হৈতা হূমদোকপীখ্রে
নীংশিংবা থোক্ত্রা মতমদৈ
চীংমী তম্মীগী লৈজরকপা
ঈগী নুংশিখ্রবা মরীদো
ওম্থোকপা থৌদৌ হায়দুনি
মঙদা ফাওবা উরক্ত্রিবা!
চীংজিন মতম য়ৌরকপদা
কৌব্রু থাংজিং কাংচুপ
চীংখোঙ চীংয়াই লৌবুকশিং
ঈখেংনা পামফৈ হূনখ্রে!
কোরৌনা চীংয়া থাংলকপা
মৈরিনা তময়া কোরি চেনখ্রে
ক্বাক্তাই নুংশিৎ নামিবসু
মায়কৈ খঙদা হূমখ্রমাল্লে।
কোংবা মরূ লাইফমলেন
খাম্বী মৈনা মৈৱাইখ্রবদা
ঈচেল তৎখ্রে কোংবা তুরেল
চীংঙু খোইয়ুম অহকপা
খানা চাওবা ৱাংব্রেনসু
ৱারৌরমাল্লে লাইজ খিকপীরক্ত্রে
কংলে কংলে কংলৈপাক
ওইরেদো খাঙুথক্তা লৈকংলা।

## ইনীং তন্নে

**—আর কে বুধিমন্ত কার্টা**

লাকখিগদ্রা অমুক হন্না?
হাইদৎপীখিগদ্রা ঐখোয়বু?
হৌজরে ইনীং তন্না হন্দক্তি
ইনীং তন্না লৈশাৎ তন্ননি
লৈরাং ঐখোয়গী মপু মাসু হরাওরনি
খিকথবীরক্লে ঈঙেল থাগী নোংগী ঈরিকসু
থাবুম অহুম মপূং ফানা
শারেপ ফাজবা লৈরাংনি ঐখোয়দি,
বঙ্কর শাদুনা ঙাকপীরেদো হৌজিক্তি
লৈরাং ঐখোয়গী মগুনসে
ওন্থোক্লসু চাওখ্রেদা,
লৈরাং ঐখোয়গী ৱাথোক্তগী
নপাক নপাক তাদুনা
অঙম তানা হাৎনরি
হন্দক্কী লাঞ্জাওসি থোক্লিঙৈ
লৈরাং ঐখোয়গী মপুদি
লোইশিনহন্নীংখিরোই লাঞ্জাওসি
তরা শেঞ্জা ওনদ্রিফাও!


## 'কূ'

**—রন্ধির থিয়াম**

ঙসিগী থৱায়শিংনা
নংহৌররোই মতাগুম
মুন্নে অঙাংবা 'কূ' বু
মতিন কুৎ-কুৎ য়োৎতুনা
সনাগী ফমুংনি খন
চোংশিনবা হানবা তান্নরি।

মতম মতমগী ৱাখল

# মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীদা য়াওরিবা তোর্বুং লমজাওবু কুকিগী মং ওন্থোকপা



Curtesy: RKCS & Sketch art from the book Khamba Thoibi-N.Tombi Singh

মতম অমদি,লমদমসিগী পেনা অশৈবশিংনা, লৈকাই লান্না, খুন্থক-খুনখা থিদনা খুৎতা খুৎশু পেনা পায়রগা পেনা ফমশক নুমিৎ কয়ানি চুপ্না থৌগল তৌরকখি। পেনা ফমশক ঈশৈ, মীয়াম্না পাম্না তানরকখি । মোইরাং শাইওন তরেৎনি । শাইওন তরেৎকী মনুংদা অমা ওইরিবা "খম্বা থোইবী" গী ৱারী লমদম অসিগী মীওই খূদিংগী নাকোংদা তাদুনা লৈরবা ঙাক্তনি। খম্বা থোইবীগী ৱারী খঙদবা মৈতৈ মচা লৈরমখিগদ্রা ? পেনা শকপা অশৈবশিংগী শেমগৎ শাগৎপগী হৈ-শিংবা ৱাহৈ কয়ানা, মোইরাং শাইওন তরেৎপু ঈশৈ ৱারী শেমদুনা মীয়ামদা তাহনলকখি। পেনা ফমশক ঈশৈ শকপীবা ঙম্বা অহল-লমন য়াম্না লৈরম্মী। মখোয়না, খম্বা থোইবীগী ৱারী মপুং ফাহনবীরমখি। পেনা শকপা অশৈবা লৈরমদ্রগদি মোইরাং শাইওন তরেৎকী ফজখ্রবা ৱারী শৈথাবীনবা লৈতদুনা মহাকাব্য ওইরমলোই । ইবুধৌ থাংজিংনা শান্নবা মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীবু মতীক ময়াই লৈহল্লিবা, নুমিৎ কায়ানি ঈশৈ ৱারী ওইনা মীয়াম তাহনবীরকখিবা অসি পেনা ফমশক ঈশৈ খক্তননি।

ঙল্লিঙৈগী পেনা ঈশৈ শকপা অশৈবশিংনা অতাবশিংবু নীংথিনা শুমহৎপা ঙম্মী। মখোয়না শৈশক কয়া হোং হোংদুনা শকপদা নত্তনা হায়শক, নৎত্রগা ঙাঙশক তৌদুনা পেনা তারিবা মীওইশিংদা হেন্না নুংঙাইহল্লি । পেনা শকপনা শৈথাবা হৈবদি , নুমিৎ তারকপগী ফজবা শৈথাবদা পুংখায় অমদি করিসু নত্তে । পেনা শকপগী নুমিদাংৱাই হায়না হায়নরিবসি মরম লৈ । পেনা শকপশিংনা ফিভম শেমলগা মশা চেকশিন্না মীয়ামবু নুংঙাইনা তাহনবসি নুমিদাং ৱাইরমদগী তাহনবা হৌনরকই। হৈরোল লৈরোল, লম্মীৎলোন য়াম্না খংবা পেনা অশৈবশিংনি।

অদুঙৈ খম্বা থোইবীগী ৱারীদা 'তোর্বুং শাদানবা' হায়বা অমা য়াওরি। শাশিং -ঙাশিং লাইদা কৎনবা, শারম চাম্মা ঙারম চাম্মা, চাম্মা চাম্মানা খুজিং ওইদুনা ফংদ্রিবা ফাওবা ফংনবা থিবগী চৎনবী অসি ঙল্লিঙৈদা চৎনবী ওইরকই । খম্বা নোংবান অনীবু লাইদা কৎনবা শাশিং শুনবা শাদানবা চৎকদৌরি । শাগী শারম খংদ্রবদি শাশিং শুনা ফাবা ঙমলোই । তোর্বুং শাদানবা চঙবদা অতোপ্পা ৱারী ওইনা, শঙাই লাবা অমোম অনীগী নুংশিবা ৱারী য়াওরি। য়ারৌ শা ফানবা মাইকৈ কয়াদগী লানমৈ থাজিনলকপদা নাওপুরীবী সঙাই অমোম্না ৱাজবা, মপাং শেৎনবগী নুংশিবা ৱারীসু য়াওরি । খম্বা নোংবান অনীননা তোর্বুং শাদানবা চঙগদৌরিবা অসি মরম অনীদনি । অহানবা মরম্না মথৌনা ফবা কনব- থৌবা মান্নবা অনী চাংয়েংনহনবনি। অনীশুবা মরম্না, তোর্বুং শাদানবা চঙবদা শাঙাই লাবা অমোমগী নুংশিবা ৱারীগা লোইননা মহৌশাগী শজি সঙাইগী পুন্সিবু মশক খঙহল্লি। খম্বা অমদি মবাই ফৈরোইজাম্বা অনীনা যুবরাজবু শানা শোক্কদবদগী কনখিবা, থৌনা ফবা মপু মনাইগী মরিসু তাক্লিবা ৱারীনি। থৌদোক অসি য়াম্না নুংশিনিংঙাই ওই। অরূবগা অনৈবগা অনীগী মরক্ত অচুম্বা, অশেংবা থিবনি। অচুম্বা অশেংবগী মমাঙদা অরানবা তৌবদি লেপ্পা মাঙই, কূইনা লেপ্পা ফাওবা ঙমদে । তোর্বুং শাদানবা খম্বা-থোইবী ৱারীদা ফিদমফম য়াম্না য়াওরি।

অসিনসু লোইদে, ক্বাক্তাগী ৱারীসু লৈরি। খম্বা থোইবী নুংশি ৱারীদা, লাইর মচা খম্বগা, অঙোম নোংবান কোংয়াম্বগা ক্বাক্তা লমজেন তান্নখি । ক্বাক্তদগী চেনগদবা মোইরাং য়ৌবা লমজেন্নি । খম্বা নোংবান অনীগী লম্বী লমশাং (মরাথোন রেস) শাংনা চেনবা ঙম্বা লমজেন তান্নবনি। শান্ন-খোৎনবা, থৌনা লৈবা ,থক্সি খাসি তাক্লিবা মতাংনি।

কুম্বী তেরাখা লৈশোকপুংগী ৱারী অমুকসু লৈরি । মচা ইবেম্মা থোইবীনা কবোদগী লোই কারকপদা নোংবান মনাই শৌরাগা লোইননা মচা ইবেম্মা থোইবীবু ওকপা লাকপদা, পে অঙৌবা খল্লগা ঙাইরমগদৌরিবা মফমসি কুম্বী তেরা খাসিদনি। নুংঙাইখ্রবা এপিসোদ মোইরাং কংলৈরোন ৱারীগী মতাংনি। পেনা অশৈবশিং,মাঙলমচৎকী অশৈবশিং, থেংথরকপদা থাঙ্গ ওজা মঙ্গোলজাওনা ওন্থোক্লা নুংঙাইনা, মরীক চূম্না হায়নীংবতা হায়, শৈথাবগী লোইবা নাইদা মনীং তম্না ঈশৈ ৱারী ওইনা শকচদুনা লাকখিবা তোর্বুং, ক্বাক্তা, কুম্বীগী থৌদোকশিংনি। মীরোল কয়াদগী লীনরল্লবা, মোইরাং লৈপাক্কী ৱারী ঙসি ঙরাংগী নত্তে । মোইরাং নিংথৌরেল লম্বুবা অমদি মোইরাং কংলৈরোল (কংলৈ লমথোন) অরীবা লাইরিক্তা,ৱারী অকুপ্পা ইদুনা থম্বীরম্মী ।

মীরোল কয়াদগী চিন্থাং য়ৈনা লীনরকপা, ঈশৈ ৱারী ওইনা শক্নদুনা লাক্লিবা মোইরাং শাইওন ৱারীনি । মহাকবি হিজম অঙাংহলনা চীনবুং ৱারী ওইনা লীনরকপা, পেনা অশৈবশিংনা শৈথাদুনা শক্নরকপা কংলৈরোন ৱারী অসিবু লাইরিক ওইনা ইদুনা খম্বা থোইবী শৈরেং হায়না চেনা লীশিং কয়া পানবা লাইরিক অমা ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাংদা ফোংখ্রে । লাইরিক অসি ইংরাজিদা অমুক দা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা হন্দোক্তুনা ফোংখ্রে । মণিপুরগী মীদি লাইরদনা মপান লৈবাক য়ৌদুনা মোইরাংগী খম্বা থোইবী ৱারী শীংথানরি ।

হিজম অঙাংহলনা ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাং, কুমশীং ১৯৩৯দগী ১৯৪০ ফাওবগী মনুংদা ইরম্বা ৱাহৈ পরেং লীশিং কুন্থ্রামঙা চামঙা হুম্ফু না(৩৫,৫৬০) নাচোম শেমদুনা মালেমগী অনীশুবা লান (জপান লান) মমাংদগী ইবা হৌরম্বা মনিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা মহাকাব্যনি । "খম্বা থোইবী শৈরেং" লাইরিক অসিবু ঙসি কুকিশিংনা করিমত্ত খঙদনা লানফম ওন্থোক্তুনা অশি লৈপাক ওন্থোকলকপদা ওন্থোক্লা নুংঙাইতে। তৌহৈদবা অমনি।

অসিগুম্লবা মমল য়াম্লবা মণিপুরী খোরিরোলগী ওইনসু অচৌবা পুক্কৈ ওইরিবা, মণিপুর লমদম অসিগী পুৱারীদা মফম অমা কন্দুনা লৈরক্লিবা ইবুধৌ থাংজিংনা কোল্লিবা লমদম তোর্বুং লমজাউ, ক্বাক্তা, কুম্বী,ৱাংঙু শুগুনু লোইননা অতৈ লম্মীৎলোনগা কোন্নবা ইপা ইপুগী হৌরকফম ৱারী ওইরিবা কয়া অসিবু, কুকি ইচিল ইনাওশিংনা মখোয়গীনি হায়জিল্লকপা, শেংখ্রবা মোইরাং শাইওন ৱারীগা শাগোন্ননা য়াওরিবা মরুওইবা মফম তোর্বুংগী লমদমসিবু কুকি লমশি ময়ামগী মং, অশিবা ফুম্ফম ওইনবা শেল্লি নৎত্রগা শেল্লনি হায়বসি তাবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে, তাশোন্না থিনবগুম চৈনা ফাওই । মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা থোইবীগী ৱারীদা কবুই সলাং মাইবগী মতাং য়াউরি। কবুইদি লমদমসিগী য়েলহৌমী ওই । কুকিগী ৱারী মোইরাং কংলৈরোন্দা ফাওবা য়াওদে । তোর্বুংগী ইঞ্চোল পাটাদা কুকিশিংগী মিং হাপচিনবা,নামজারি তৌবা য়ারোই । মখোয়গী মপা মপুগীনি হায়বসিদি মখোয়গী পুৱারী ইতিহাস লৈতবগীনি। মৈতৈলোন পাবা থোকত্রগসু ইংরাজিদা ফোংলিবা মোইরাং খম্বা থোইবীগী ৱারী কুকি ইচিল ইনাওশিং পাহন্নীংঙি । মোইরাং খম্বা থোইবী খক্তগী ৱারী নত্তে মণিপুরগী অরিবা খোরিরোলগী পুৱারীগী লাইরিক ময়াম অমা ইংরাজিদা ফোংলগা লৈরিবশিং মরুওইবা খরদি পাহন্নীংঙি । লমদম অসি করম্বা লমদমনো, নিংথৌরোল কয়া লৈখ্রি, মরৈবাক নীংবা মাঙলমচৎকী অথৌবশিংনা করম্না লমদম অসি ওইহনবীরকখি। ঐখোয় য়েক সল্লাইচাশিং, য়েলহৌমী অশেংবনা কনানো লাইরিকশিং পারগা খঙহন্নিংঙি । শেমজিনবা ৱারীনা ইতিহাস শাগৎপদি য়ারোই । ইতিহাসতি ফিক্সন নত্তে । লমদমসিগী য়েক-সল্লাইচাশিংদি ইপা ইপু নীংবা,মখোয়গী চাদা নাওদাশিংনি । হিংমিন্নবা পাম্বা, নুংশিননা লৈমিন্নবা হায়বসি লাই হাকতক্তগী তৌরকখি। অপূনবা লমদম ওইহন্নীংবগী খাঙলগা লৈরকপনি। অরানবা তৌবা য়াদে, ওইদবা ঙাঙদে । লাল্লে হায়বদা ঙাকপীবা ঙম্বগী থম্মোয় পাল্লি অদুনা মৈতৈশিংনা মশোং ফন্দবনি। তেমশিংনরগদি লমদমসিগী নুপাদা নত্তে, নুপীশিংসু খ্বাংচেৎ মচি লাংলক্কনি। মতীক থোকপা লাইগী চৈরাক লৈ হায়না থাজজবা কাঙলুপ্নি । মায়োক্লুবদা য়েৎকী খোং থাংদোকপদা ঙাইরি। হৌখ্রগদি মায় পাকত্রিবা ফাওবা হন্দবনি। ওইগী খোং-খুৎ শুনা থাংদোকত্রি । ইমা ইবেনশিং য়াওবা হৌরক্লিবসি হেক হেক হায়নবা নুপী লান হায়বদুগী শরুক অমনি হায়না লৌবা য়াই । ইমা ইবেন,ইচে ইচন ময়াম চোংথোকপা হৌরক্লিবসি তরাইনা লৌবা চুমলোই।

ইজরিবা ৱারেংসি পংই ইজবা নত্তে, পূক্লিং লাংতক্লবগীনি। মীওইবগী খাঙবা ঙম্বা হায়বা অমা লৈ। হৌজিক লমদমসিগী য়েক সল্লাইচাশিং, মীওই খুদিংমক, খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরক্লি । হৌজ মশীং য়াম্লে খাঙলগা লৈরক্লিবসি। হৌজিক ৱারোইশিন পাল্লে । মিকোন থাকোনহন্নিংলে। লাক্লিবা অগস্ট থা অসি মৈতৈগী থৌৱান থা,থৌদোক-ৱাথোক থোকপা থানি। লমদম অসিগী পুৱারীগী থৌদোক ৱাথোক অয়াম্বা থা অসিদা ওইখি । অগস্ট ১৩ অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎনি, অগস্ট ২০ লোলগী নুমিৎনি,অগস্ট ২৭ চাকলাম খোঙচৎকী নুমিৎনি। থৌদোকশিং নীংশিংলুবদা তু চুংঙি । থৌদোক অমমম অরায়বা ওইখিদে। থৱায় কয়া পোন্থানখি। হন্দক্লা করম্বা নুমিৎ, তাং অমা থা অসিদা ওইহনগদৌরি ? ইপা ইপুগী অশেংবা মফমদা কুকিগী মং ওইহনগনুসি । খল্লিবা ৱাখল, থাংলিবা খোংথাংসি, কুকি ইচিন-ইনাউশিংনা খন্থহন্নীংঙি । হান্নদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপা মরুপ মপাং, ইচিন ইনাওশিং কুকি মরক্তা য়াম্না লৈরি। ফত্তবা ৱাখল খলহল্লিবা, নুংশিনদনবা চিরোল তৌশিল্লিবা মখোয়দু য়েক্লবনি । য়েক্লবা মশক খঙমিন্নসি ॥

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# ইকায় শঙ্গোই হেক হাঙইহে

"কুইরেহে ঐদি পোৎকা অমত্তা পায়দবা, হৈনখিদ্রা খঙদেনে?" ইতৈমা মেমীনা হেক ফমথবগা হায়রকই। থোকচোমগী মৌ নহাদুনা গ্লাস অমা থনকোক থন্না হৈরগা মমাংদা কোক হেক থম্মী।

"ইচেমা ঈশিং য়ানগদ্রা?"

"খিতং য়ানসি, কৈনো চানবদি?"

"সিদা লোইনা লৈরেনে, মকোক মরূ ঙৌবা, শরেং থোংবা, ইরোনবা, শিংজু, চম্ফুৎ ইসু শুরে" পুখম অপাকপা অমদা মচি মচি হাপ্লিবদু টেবল মচি অমদগী গিরি গিরি ইনশিন্দুনা ইতৈমা মেমীগী মমা ওইরপ্না থম্মী।

"য়েনগুম্বা য়াওদ্রো? ঐদি পোৎ পায়রদি অকনবগুম্বসি চিক্লিংই। কক-কক হেক চিক্লিখৈ ইশাসি বঙ বঙ লাওনা নুংঙাইখৎলকপনিনে"

"কায়দৈনোদা, মীগী মনা হুৎপগী থৌরমসিদবু কায়দৈ য়েননোদা, সি বামোন্না থোংবনি"

"হোইনে অদুবুদি চুম্না সুম পাম্বদুগী ৱানিদা" হায়রম্মগা ইতৈমা মেমীনা গ্লাসতু পায়রগা গুরু গুরু অমুক্তদা চিংখিববু, কয়াদি ফজে, মখৌরিদুদা লৈরিবা চরম উতোংদুদা পোৎতুনা মরী মরী চঙখিবদু হেক উগুম্মীদা। ইল্লিবা মোইরাং ফিজন চনবা রানি ফিদুনগা ফজবনে, ইতৈমগী শক্লগা ফজবনে, ঙক্তা নাদা শীরিবা, য়াল্লিবা সনাদুনগা ফজবনে, ইতৈমনা গুৎ গুৎ থকচিল্লগা গ্লাসতু টেবলদা পোপ লাওনা থম্মগা, চানবদু চমচ অমা পায়রগা কোৎপদুদি হায় হায়... পোজ তাখ্রজাৎনি। মাগী মতৌদু উবদুদা নাকন্দা ফল্লম্বা মৌ নহাদুনা মরোলগদু খোইরি খোইরি খূবাক খূগৎলকইপোৎনি।

"ৱা ৱা... ঐখোয় ইনম্মগী খূথকসিদি পেল্লিহে"। ময়াম অতৈসু লোইনা য়েংনরকই। ৱা ৱা নোক্তুনা ময়ামদু থক্করি। য়ু হৈবগী মখোল গ্লাস থম্বগী মখোল, ৱারী হৌরপ হৌরপ শানবগী মখোল কর্ণাট অমা খাজিল্লগা নুপীশিংতগী ওইনা ফম্নবা শেম্বা মফমদু পূমনিল হেক নিল্লি। অদুদগী খিতং লাপথোক্লগনা নুপাশিংগী ওইবা ফম্ফম শেম্মী। নুপারোমগী মায়কৈদগীদি ঈশৈ শকপা য়াওনরক্লে।

ঙসিসে থিকা নৌনা তৌখৎলকপদা শেল হায়রপ পায়রবা খোইমুগী মচাগী মনা হুৎপগী থৌরমনি। মরুপ মপাং ফনা য়াম্না ইনভাইট তৌবনি। অশোমদা হায়বদি শুমাংদনা মচা মনা হুৎপগী ঈশৈগকা শক্তুনা পুমলাং লাংই। শেল থানরি। য়ূমলোন অমা লাল্লগা লৈবা শুমাংদুদনা লাক্লিবা ময়ামদুগী নুপাগী নুপীগী খাইদোক্লগা ময়াম ঙাইহাক পোখানবা শেম শারিবনি। অশোমদা ঈশৈ লোইশিনখ্রে। ময়াম চাক চানবা কন্না হোৎনরি। শোমদদি নুংঙাইরি, নুপাগীসু নুপীগীসু পোৎ ৱাৎলে হায়দুনা ঐনা পীবা চঙলুবনি। মকোক শোনবা নুপী খরদি টেবলদা উপথদুনা লৈরম্বসু য়াওরে। নুপাশিংদি অদুমাইনমক তৌদ্রসু টেবল থিল্লগা ঈশৈ শকপা মোই অহুম মরি য়াওহৌরে। ঐনবু খল্লি, ফজদৌরি ঙসিদি। মতমসে ফনা শাথীনা হোংলবজাৎনি। নুপীখৈসি চাওখৎপগী মমি ফজনা তারে, থকপা চাবদা নুপাগা য়াম মান্নরে। মসিবুরা নুপা নুপী থোং মান্নবা হায়সে, খল্লগা অমুক থোরকই। পোৎ পীরম্বগা হৈ হৈদুনা থক্লহৌরি। ঐনা হায়রপ য়েংলুববু, ইতৈমা মেমীদুদি ফনা য়াম ফজহৌরে। খুদোম্বী-ও করি-ও ৱা য়াম ঙাঙহৌই। চাক্লুক থাবা লোইরে, ময়াম চাক তাক্লরে। ঐ পাউ হায়বা লাকই। খরা অমদি হৌগৎলগা ময়াম চাক চানরিবা মফমদুদা চঙনখ্রে। ইতৈমা মেমীগা ফম্মিন্নবা অনী অহুম অমদি ঐঙোন্দা ওর্দর ওইনা তৌরকই।

"ইবুংঙো নোইগী চাক্তু সিদা ওইনা থাজিল্লকউ। মী ময়াম মরক্তা ফম্মগা চানীংদে, কো, য়ারেকো"

"হোয় পুজরক্কে" ঐ অদুম থোরক্লে। চাক্লুক অনী খূৎ নাম্মা নাম্মা পায়রগা পুশিল্লি"

ঈশিং পীবা চঙবদদি ইতৈমা মেমীনা মখূৎতু লোইরে পুমতৈ তৈরে, চাক্তু বিদিট বিদিট মেৎলগা ৱারী শাধদুনা লৈহৌই। ঐ ঈশিং থনম্মগা অদুম থোরক্লে।

"ওন্থোকপনিদকো তৌরিসে, পুমলোই হেক লোইরেদনা সিদি" তৌবুদি ঐ থোইদোক্লা খনদ্রে, মসি য়াম তোয়না তৌরক্লে। কনাগী লৈশাবীশিংনা মরোল অমা লাই য়াওরিবা। হৌজিক্কানগী হৈজিংপোৎকসিদি পার্টি চাওনা চাওনা চখনরে। নহান্দসু ইতৈমা মেমীগী নুপাগী মচানুপীদু মমান্নবীগী হৈজিংপোৎ চৎলুরগা ময়ূমদা হল্লকপা ঙমদদনা গাড়ীদা থিল্লকখিবগী ৱারী তাখিবনি। অদুগা ঙসিনা অমুক ইতৈমসি ফজনা লৈখৎলে, কমাই তৌদুইনো খঙদে। চাক চাবা লোইনখ্রে, লৈকায়গী অহল লমনশিং, ইনভাইটিশিং লোইনা হন্নখ্রে। ইমুংগী মী খরগা চাক থোংলিবশিংগদং ঙাইরে। অদুবু ইতৈমগা মোই অনী অহুমদি হান্নগী ফম্ফমদুদা অদুম টেবলদা মখূৎনা মোন খাংলগা চাক মথক্তুদা ননশিন্দুনা নুংঙাইনা তূমথরি। মসিদি কান্নররোই হায়দুনা ঐনা তামোদা ফোন তৌরে। অদুগা তামোদু মাগী ওফিসতগী থুনা য়াঙনা লাক্তুনা ইতৈমদু শুপকোন কোল্লগা পাম্বোই কোনবোই থাংবোই তৌদুনা গাড়ীদা হাপকৎখি। অদুমক্তদা ইতৈমনা লাওরি।

"কনানোনে তপ্না তৌনে, তুনিনে, ইঙাও ঙাওশিন্নবা শারদনা" ময়ামদুদি মচিন খুমদুনা নোক্লি, তামোদু ফনা ফজনা ইকায়জাৎনি। শোনবোই করিবোই ঙাঙ ঙাঙদুনা ইতৈমদু গাড়ীগী থোঙ হাংদোক্লগা নাশোন্ননা হায়খিবা তাহৌই। "ইকায় শঙ্গোই হেক হাংইদা" ময়ামদুদা তামোদু নোকফেৎ তৌরম্মগা গাড়ীদু থুনা য়াঙনা থৌদুনা ময়ূমদা হনখি। খঙদে, ময়ুমদা ইতৈমদু কমদৌরমগদগে হায়বদুদি। তামোদুদি ইকায় শঙ্গোই হাংদুনা খরা খজিক ৱারৌখিবগুম তৌখিবনি। লাঞ্জাওরা লান্নাওরা অমদি শোয়দনা থোক্লমদৌ মাল্লি। মদু থোক্কনি হায়বগকদি ইতৈমদুদি থোইদোক্লা নাচুংবীরমদবা য়াই। ফজখ্রবনি ইতৈমদু সলাক হেক শাখৈ শাৎখ্রবনি।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।